থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

মণিপুরী প্লেয়রনা ওলিম্পিকতা গোল্ড মেদল লৌরক্কদবা নুমিৎ

নহান নোংমা, শান্নবদা থৱায় য়াওজবা, মশামক্তি শান্নরোয় ওইদবা, মশান্ননা খরগী লুপশিংগী থৌপুবা ওইবা মীওই খরা পুন্দুনা ৱারী শানরুই। ৱারী শানবা মরক্তুদা মশান্না খরগী কোচ (শান্নরোয়শিংবু তাকপী-তন্বীবা) ওইবা মখোয় খরসু য়াওই। কদোমদগী কমদৌনা হৌদোক্লরকখিবা ৱানো খঙহৌদে। গোৱা নেসনেল গেমস য়েথোক্লে হায়বা পাউদু তম্নরকপদগী মখা শমথরকখিবা ওইরমাল্লে। ফনকুইনা শানখি। থাজদনা পুং মরীমুক। এরিয়া অমদা নত্তে নৈনখিবা। শান্নবগী মরু ওইবা এরিয়াশিংদুদি শোক্তবা লৈরম্লরোই। অরোইবদা খলহৌই - করিনো ঐখোয়না তৌরুরিবদুবো? *দোলাই তোংবদুগীদমক ৱাইকুপ পুবীনা ৱায়* - হায়বা ইপা-ইপুগী পাউরৌদু ওন্থোক্লা চুম্না হায়রমখ্রেদা ! থৌদু অদু নৎত্রা, ঐখোয় মঙা তরুক্লা পুংজা কয়া মাঙহনখ্রিবা ! মীফম অদু *ৱারেপ লৌবা য়াবগী* মীফম অমরা ? ৱারেপ লৌবা ঙম্বা, তৌবা ঙম্বা মখোয়দুনদি, ৱাখল অসি খল্লমগদ্রা? খনফম থোকপা কোক্তুনদি খন্দ্রবা, *ৱাখল* অদুনা অতোপ্পা কাকতা ৱাই চিনহল্লুবগী কান্নদে। কান্নদবা মেন্তেল এক্সর্সাইজদু তৌরুবগী কান্নবা করিনো? খন্না খন্না ইয়ুম শঙ্গায় য়ৌরকখি। কান্নদবা ৱাখলদু খল্লোই ঙমদে খল্লকই। ৱাই চিল্লবা কোকসিগী পোৎলুম অমা থাংথবা য়াগদ্রা খন্দুনা ৱাহে ওইনা ইথোকপনি। য়েংসি, অদোমদসু সেয়র তৌবা য়াবরা ?

দিল্লীনা এসিয়ন গেমসতা বোক্সিংদা গোল্ড মেদল লৌরকপা হাক্তক, মাবু ওকপখক্তদা ইম্ফাল পুন্না মথুম-মরাং হৌখিবা, লম্বী ফাওবা মাগী মিংদা থোনখিবা, অচৌ-অশাঙ-খোঙতেক-মীত্তাঙ শান্নববু পামজবা য়োকখৎনিংবা ঙাক্তরা? খনখিবনি কোকসিদা। মেরি কোমনা অমুকসু ওলিম্পিক সিলভর মেদল লৌরকঙৈদদি শান্নবগী ঈথক ইপোমসি লমদমসিদা ফন্না কন্না হৌরবনি। লায়রকোনদা পোল্লুবা, পেরুক্লা চউম্বা কাঙবুদুখক্তনা শান্নবুংদা চৎপগী মতম অদু লোইখ্রবনি। স্পোর্টস কমপ্লেক্স লৈরবা, স্পোর্টস সাইন্স খঙলবা, সাইন্টিফিক ট্রেনিং ফংলবা, অফবা লৈঙাক লৈরবা মতমদুনি ঙসিদি। ফগৎফম থোকপা চাংদুদা ফরক্ত্রিবা করিগীনো? অসিনি কন্না খল্লুবা, খনফম থোক্তবা কোকসিনা।

ওলিম্পিক গেমস লাকপদা, চীংনুংগী তম্বা খরনা য়ারুদৌরে তাবদা, সনাগী মেদল পুরক্লবা ক্রোর অদুক পীগনি, লুপাগীনা অদুক অদুক, শেঞ্জেংগীনা অদুকখক। ওলিম্পিক মেদল ফংববু নিনি-হুমনি কোচিং তৌরগা য়াবরা ? ফংলোই খন্না লাউথোক্লিবরা ? হংফম থোকপা ৱাহংনি। মরমদি, লায়রবা মমা-মপাদুনা মচাদুবু করম্না শান্নবুংদা পুরকপা? শান্নরোয়না কারিবা কৈরাক্তুগী মতোন-ওইবা ওলিম্পিক, থাক অদু য়ৌববু তরাইনা হেক য়াবরা ? ষ্টেটতগী, নেসনেলদগী এসিয়ন, এসিয়াদগী ইন্দরনেসনেল/ওলিম্পিক্স - কানবা, য়াদবা থাক্তুনি। থাক-থাকসি কাবদা মশান্নদুগী ওইবা লুপ (স্পোর্টস এসোসিএসন) থাবা য়াদ্র' মপাঙনি। ফনা হৈবা শান্নরোয়, ফাওরবা কোর্চনা তাক্লসু, এসোসিএসন কাল্লগা কৈরাক্ত কাবা ওইথোক্তে। গভর্নমেন্টকী স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অমসুং ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ওথোরিতি - শান্নরোয়গী য়াইফ থৌরাং অমদি ট্রেনিং সিস্তেম ফগৎহন্নবগীদমক লিংবনি। শান্নরোয়বু মালেমগী শান্নবুংদা পুথোকপগী থৌদাংদুদি ষ্টেট স্পোর্টস এসোসিএসন, নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসন, ষ্টেট ওলিম্পিক এসোসিএসন অমদি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগীনি। ঐখোয়গীদা শোয়রিবসি, মণিপুর গভর্নমেন্ট অসিনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী (ওলিম্পিক অমদি নন-ওলিম্পিক ইভেন্টশিংগী) এসোসিএসন ময়ামসিগা করিগুম্বা মখলগী মরী অমত্তা শাগত্তবা, এসোসিএসনশিংনা লৌরিবা মরু ওইখ্রবা থৌদাংসি শকখঙবিবা ঙমদবা, থৌরৈতবশিংগী থৌগায় ওইনা উবিবা অসিনি। এক্তিচ্যুত অসি হোংদ্রিবমখৈ মণিপুরগী শান্নরোয়না ইন্দিয়াদা দোমিনেত তৌরবসু, ইন্টরনেসনেল এরেনাদা *লৈজবা মতিঙ্দু ফুদোকচবদা* মীরক মীচম্বী ওইখিগনি থাজবীয়ু। করি অমুক হায়গনি - শান্নরোয়শিংবু ইকাইখুম্নবা উৎপা থৌরমদা, শান্নরোয়দুবু *মফমদু য়ৌনা ইনখৎপাদা* ইন্সত্রুমেন্টেল ওইখ্রিবা এসোসিএসনদুগী সেক্রেটরি/প্রসিদেন্টতুবু লেংয়ান/খুদৈ অমা য়ানবীদুনা মমাঙথংবা ফিদ্দাদা ফমহনগনি হায়বগী ৱাখলদুফাও লৈতবনি। প্লেয়রদুগী মফমদদি লুপা লীশিং /লাখনা খুজিঙ ওইদুনা সনা ওইনা পীরগা এসোসিয়েসনদুগীদমক্তি শিকি অমা পীগনি হায়বসু খন্দবনি। প্লেয়রদুনসু মনাদুগী শরুক মচেৎ অমত্তং খাইবীরক্কে খল্লক্তে। খম্ববীয়ু - করম্না এসোসিয়েসন হিংগনি? হিংলিবনি, থৌপুবশিংগী সেক্রিফাইসনা।

এসোসিএসন- থৌমীশিংগী ৱারীদুদি তোকখ্রসি - লৈঙাকসিনা মণিপুর স্পোর্টসতা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি করিনো ? মসিদুম হান্নমুক্তা খন্থসি। মণিপুর অসি চলাইনবা ষ্টেট এসেমব্লি অসিনা ফ্রেব্রুৱারি থা খুদিংগী শেনবা-থুম্বা লাউথোকই। খন্নৈ, নৈনৈ মেম্বরশিংনা। মদুবু কৌই *বজেৎ সেসন*। ওলিম্পিয়না পুথোকপগী মঙ মঙলিবা, ওলিম্পিয়ন ওইবা য়াবা শান্নরোয় মশিং খঙদনা লৈরিবা লমসিগী *এন্নুএল বজেৎতা* স্পোর্টকীদমক য়ার-মার্ক তৌরিবা চাদা শুপ্পগী ০.৬৭ খক্তনি, অমফাওবা য়ৌদবনি। মসিনদুম তাকচরে-গভর্নমেন্ট অসিনা শান্নরোয় অমদি শান্নবুংদা য়েংবা মীৎয়েং। চীন্দা পংঙা ঙাঙবনি, মথম্মোয়না পামদবনি, মণিপুরগী মিনিষ্টরনা *শান্নবা য়োকখৎকনি* হায়বসি খন্দবনা ফরনি। খল্লুরগা, ৱাখল লাইমন ওইগনি।

অফবা ওজা লৈতনা অফবা মহৈরোয় থোক্লক্তে - ৱাফমসিবু য়েৎননিংঙাই ওইবরা? প্রাইবেট স্কুলনা অফবা মহৈরোয় পুথোক্লিবা, অফবা ওজা প্রাইবেট স্কুলদা লৈবননি। ওজা অমগী ক্বালিটি - এদ্যুকেসনেল ক্বালিফিকেসননা লেপ্তে, ওজাগী ক্বালিটি তোংঙাল্লি। শান্নরোয়সু মহৈরোয়নি, অফবা কোচ লৈতনা অফবা শান্নরোয় থোরক্লোই। অফবা শান্নরোয় থোরকপসিনা খুদম্নি-মণিপুরদা অফবা কোচ লৈ। অদুবু, কোচপু ইকাইখুম্নবীদবা লমসিদা, *স্পোর্টস কোচিং প্রোফেসন* - মীনা পাম্ন বা শিনফম নত্তে, মণিপুর স্পোর্টসকী তুংলমচৎ করি ওইবা হৌননি ... কান্নফম খঙদবা মীফমদুদা য়াওখিবা কোচতুগী ৱাকৎনি। শান্নরোয়গী নুমিত্ত কোচশিংগীসু মফম লৈতে। নুংঙাই য়াইফবা ইমুংগী য়ুম্থু অমনা মচাদুবু শান্নরোয় অমা ওইহনগে নীংদুনা শান্নবুংদা মচা থিল্লকপদা, মশান্নদুগী কোচ অদুনা মনজুনরবা সাইকল অমা তোংদুনা, ৱাউথরবা ত্রেক-সুট অমা লীৎলগা চঙলকপদু উবদা মচাদু পুরগা হনখিবা, অমুকহন্না হল্লকখিদে - হায়বা ৱারী অমসু মচীনমক্ক লীরম্মি। চিনাগী শান্নবুং অমদনা, মদুগী ওন্ন তৈনবনি। মশান্ন খুদিংগী কোচশিং-মীয়াম্না কল্লক ফমনি, মীয়ামগী রোল-মোদেলনি। *ঐহাক কোচ অমনি* - নাপলগা লোয়ননা হায়জবা ঙম্মী। খেন্নবদু মসিনি। দাক্তর অমগী মচানা দাক্তর অমুক ওইরকপা, এঞ্জিনিয়র মপা অমনা মচাবু এঞ্জিনিয়র ওইহন্নবা হোৎনবগুম, স্পোর্টস কোচ অমনা মচাবু শান্নরোয় নত্রগা কোচ অমা ওইহনগে খল্লকপা মীকুপ্পুদনি মণিপুরগী শান্নরোয়না ওলিম্পিকতা গোল্ড মেদল লৌরক্কদবা! য়াবীনিংদবরা ?

লৌশিং পুক্কে

শারৈ হৌবাঃ করম্না ঙাকথোকপা

শারৈ হৌবা হায়বসি সেন্ট্রেল নরভস সিস্টেমদা শোক্লকপা ন্যুরোলোজিকল দিসওর্দর মখল অমনি। অনাবা অসি হৌরকপা মতমদা মীৎ-না ওনখৎলকপা, হকচাং নীকপা অমদি চপ তিংথোরকপা অমসুং লৈ চীকশিনবনচিংবা থৌওংশিং হেক-হেক থেংনৈ।

অয়াম্বা মতমদা করিদগী কমদৌনা ওইরক্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদবা তারবসু কনাগুম্বা খরদদি ব্রেনদা শোকপা-পনবা য়াওখিবা, ষ্ট্রোক, ব্রেন কেন্সর নৎত্রগনা য়ু অমদি দ্রগ শেরান্ননা শীজিন্নবদগী ওইহল্লকপনি। মরম অমা নৎত্রগনা অমনা ব্রেনদা য়াওবা কোর্টিকল নর্ভ সেল মথৌ হেন্না তৌহল্লকপা নৎত্রগনা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা মথৌ তৌহল্লকপদগী শারৈ হৌরকপনি। অদুবু মসিগা লাইওং মান্নবা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়ামরুম লৈবা মরম্না চপ চানা কনফর্ম তৌবা মথৌ তাই।

শারৈ হৌবা হায়বসি মপুং ওইনা লায়েংলবসু ফহনবা ঙমদে। অদুম ওইনমক শারৈ হৌরকপা মতমদা থোরকপা হকচাং নীকপা, খোঙ-খুৎ চপ তিংথোরকপা অমদি মীৎ ওনখৎলকপ-নচিংবা থৌওংশিংদি হীদাক লাংথক থারগা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্মী। হীদাক-লাংথক্লা থোইদোক্লা কান্নবা ফংদ্রবদি সর্জরি, ন্যুরোষ্টিম্যুলেসন নৎত্রগনা চাবা-থকপগী মওং হোংদোকহল্লগা খরমখৈ লাকশিনবা ঙম্মী।

মালেমগী ওইনা অপুনবা মীশিংগী চাদা অমা (মিলিয়ন ৬৫) রোম শারৈ হৌবগী অৱাবা মায়োক্লরি। মখোয় অয়াম্বা চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদগী ঙাক্তনি। চহী য়ামশিল্লকপগা ইরোয়ননা শারৈ হৌবগী অৱাবা মায়োক্লরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। অদুম ওইনমক পীক্লিবা অঙাং অমসুং ইনখৎলকপা নহারোলশিংদসু অৱাবা অসি অদুমক মায়োক্লবা য়াওই।

কনাগুম্বা অমা শারৈ হৌবগী অনাবা অসি হৌরকপা মতমদা ঙাইহাক্তি ৱাখল তাদে। ফরক্লবা মতুংদসু মিনিট ১৫ রোমদি চুম্না ৱাখল খনবা ঙমদবগা লোয়ননা করিমত্তা নীংশিংবা থোক্তে।

শারৈ হৌবগী লাইওংগা মান্নবা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়ামরুম লৈবা মরম্না লায়না অসিগী দাইগনোসিস অরায়বা নত্তে। হায়পরভেন্টিলেশন, মাইগ্রেন, নার্কোলেপসি, পেনিক এটেক অমদি সাইকোজেনিক নন-ইপিলেপটিক সিজরনচিংবগী লাইওংগা শারৈ হৌবগী লাইওংগা য়াম্না মান্নৈ। মরম অদুনা করিগুম্বা কান্দা হেক হেক চমম্নবা পোকই। মরক-মরক্তা নিংশা শ্বর থিংবা, তৃপ্লিঙৈদা ফমুংদা মপান থোকচিনবা অমসুং অমম্বদা কিগনবা মরম্না অঙাংশিংদনা অমুক্লা হেন্না চমম্নবা পোকই।

শারৈ হৌবগী কেস অয়াম্বা মাঙজৌননা ঙাকথোকপা ঙমদবা তারবসু অখন্নবা চেকশিন থৌরাং খরদি মাঙজৌননা লৌখৎহৌবা য়াই। অঙাং উনবা মতমদা য়ারিবমখৈ অঙাংগী মকোক্তা শোকপা পনবা য়াওহন্দনবা হোৎনবগা লোয়ননা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংশিংবু য়াম্না চেকশিন্না লোয়নগদবনি। অতোপ্পা অমনা ওকশাদা য়াওগনবা টেপৱর্ম অমদি ঈশিং-নুংশিৎনচিংবা অকোয়বদা লৈবা মহীক-মতাইদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি। ওকশাদা য়াওবা টেপৱর্মগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল অমেরিকাদা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপা মতমদা শারৈ হৌবগী অনৌবা কেস চাদা ৫০ গী চাংদা হন্থরকপা থেংনখি।

শারৈ হৌবগী অনাবা অসি অয়াম্বা মতমদা নুমিৎ খুদিংগী হীদাক-লাংথক চাদুনা লায়েংবগী মথৌ তাই। ফীভম হেন্না লুশিল্লক্লবা অমসুং রিস্ক ৱাংবা মীওই কাঙলুপ্তুদি অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা চাবা-থকপগী মওং হোংদোকপগা লোয়ননা ন্যুরোষ্টিম্যুলেটর ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা নৎত্রগনা ন্যুরোসর্জরি তৌবা মথৌ তারকপা য়াই।

কনাগুম্বা অমা শারৈ হৌবগী অনাবা হৌরকপা মতমদা অহানবা লায়েং (ফর্ষ্ট এইদ) গী শরুক ওইনা খুদক্তা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংদি মীওই অদু চেপ্লা হীপহনগদবনি। মসিনা থবোন্বীদা মহী-মনাই চঙখিগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। কনাগুম্বনা মচীন-মরৈ চীকশিল্লকপা য়াওই। অদুবু মসি তৌদনবনি হায়দুনা চীন মনুংদা খুৎ থিংজিনবা নৎত্রগা টঙ্গ পিদ্রেসর ইনশিনবা তৌরোইদবনি। মসিনা মীওই অদু ওন্নিংবা ফাওহন্দুনা ওহল্লকপা য়াই। য়ারিবমখৈ মশানা মশাবু শোকহঞ্জবা য়াবা থৌরাং লৌখৎহন্দনবা হোৎনগদবনি।

শারৈ হৌবা হায়বসি নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী হৌনা অদুমক লৈরক্লবা অনাবা মখল অমনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা মসিবু লাই ওক্লবা নৎত্রগনা মমাঙগী মপোক্তা ফত্তবা থবক তৌরুবগী লাইনা পীবা চৈরাক্লি হায়না লৌনরম্মী। গ্রীকশিংনদি মসিবু লাই ফত্তবা তোংবনি হায়না থাজরম্মী।

কাইনথংদা হিপোক্রেট্সনা শারৈ হৌবা হায়বসি লাই-তীনগা মরী লৈনবা নত্তে অমসুং লায়েংদুনা ফহনবা য়াবা ব্রেনগী অনাবা মখল অমনি হায়না ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী অরানবা ৱাখল্লোন অদু কোকহনখি।

দেবচন্দ্রনা ইবা কান্নরবা পাউতাক খরা অমসুং লাইশোন শৈরেং ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ

আর এস এসকী প্রচারক টিঐচ দেবচন্দ্রনা ইবা *কান্নরবা পাউতাক খরা অমসুং লাইশোন শৈরেং* হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা ঙসি ফোঙখ্রে।

স্পিরিচুয়েল ষ্টদি সোসাইটিনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকপা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ, এন ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসি পারগা মীয়ামদা কান্নবা খরদি পীরগনি। ইশাগী তৌফম থোকপা ইথৌনি খন্দুনা লাইরিক অসি ফোঙলিবনি। মরম অদুনা ইশা ইশানা ৱাখল তাবা হায়বদু ওইমিন্নসি। ইশানা ৱাখল তাদ্রবদি ফোঙলিবা লাইরিক অসি পাবদা কান্নবা ফঙলোই।

মীয়াম পুন্না লাইরিক অসি পামিন্নদুনা ৱাখল্লোনদা কান্নবা লৌমিন্নসি। মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি চিংথনবগী চৎনবী অসিনা মরুওইনা লৈরি। অসিগুম্বা চৎনবী অসি লৌথোক্তুনা চাউখৎমিন্নবা হোৎনমিন্নসি। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিদগী হেন্না অতোপ্পা লাইরিক কয়া ফোঙদুনা মীয়ামগী থৌগল মখা তানা তৌবা ওইসনু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা মমাংগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিন প্রোফেসর নাওরেম জয়কুমারনা হায়খি, কুমজা ১৯৩০ দগী হৌরগা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা শৈরেং কয়া ইরকখ্রে। মসিদা পাউতাক কয়া য়াওরগা ইরকখ্রবনি। অদুবু দেবচন্দ্রনা পাউতাক য়াওবা করিগী ইরক্লিবনো হায়বা ৱাহং লাক্লি।

মণিপুরদদি লাইরিক ইবদা ষ্টেন্দর্দ ওই নৎত্রগা ওইদে হায়বা য়াম্না লৈ। অফবা লাইরিক হায়বসি চেনা য়াম্না পানবা অথাবদুরা নৎত্রগা দিক্সনারি য়াওবা অদুনা ওইগদৌরিবরা হায়বদু খঙবা ঙমদে। অদুবু ঙসি ইদুনা পুথোক্লিবা লাইরিক অসিদি পাউতাক য়াওরিবসিনা কনাদা পীনিংলিবনো হায়বসিসু ৱাহং অমা ওইরি।

লাইরিক অসিদা য়াম্না চম্বা ৱাহৈদা মীয়াম্না খঙবা ঙম্নবা ফোঙদোক্তুনা ইরক্লি অমদি ইদবা য়াদে খল্লগা ইরিবা অসিমক হিরম খুদিংমক্কী ওইনা মীয়ামদা কান্নবা পীবনি। অইবনা থাজবা রিচুয়েল ওইবা কয়া অমা য়াওরি। লাইশোল ঈশৈ হায়বসিদা শেন্বীবা মপু লৈ হায়বনি। দেমোক্রেসি হায়বসিদা মীয়াম্না শেমজবা লৈঙাক অদুবুনি হায়বনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা হান্নগী মণিপুর প্রান্তগী সঙ্ঘচারক এ ব্রজকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইখি। লাইরিক অসি বঙ্গালী অমদি মীতৈ ময়েক অনীদা ইদুনা ফোঙবা লাইরিক্লি।

আর এস এসকী প্রচারক টিঐচ দেবচন্দ্রনা ইবা *কান্নরবা পাউতাক খরা অমসুং লাইশোন শৈরেং* হায়না মীংথোনবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মশক নাইরবা মীওই কয়ানা লাইরিক অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস):

চূড়াচান্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস টেন তম্লম্বা মোইরাং হেমাম লৈকায়দগী হৌজিক্লা শিংজমৈ চীংঙা মখাদা লৈরম্বা দিলিপকুমার হেমামনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

দিলিপকুমার হেমামনা হিংলিঙৈদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা এমসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মখাদা লৈবা এমসু য়ুনিটকী হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্মী। মহাক্লা লৈখিদবদা এমসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংনা মীনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

হেমাম দিলিপকুমারনা লৈখিদবদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী জেনরেল সেক্রেটরি বি রোসন্না থোকপা চেরোল অমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মহাক্লা লৈখিদবদা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা হায়ফম খঙদবা অৱাবা অমা ওইহৌরে। মহাক্কী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চীক্রা লৈরুনবা অমদি মথংগী মপোক্তা পুন্সি নুংশাংনা তাইবং কুম্মৈ য়াওবা ঙমহনবীয়ু হায়না থৌনিজরি হায়রি।

/ 1ST DEATH ANNIVERSARY

Born : 27-12-1950
Expired : 16-06-2017

*In loving memory of **Lisham Kumar Singh**, a loving husband and father, whose **First Death Anniversary** occurs today. We miss you more than words could express. You will always be in our hearts forever.*

Lovingly Remembered by :

Lisham Ongbi Pranoti Devi (Wife)
Sylvia Lisham (Daughter)
Suraj Lisham (Son)
Sophia Lisham (Daughter) & Relatives
Pishum Ningom Leirak, Imphal

HL-P/1652/16

100% JOB GURANTEED
AHM
AIR HOSTESS TRAINING
150 PLUS CABIN CREW PLACED SO FAR
BOYS AND GIRLS WITH 12 PASS CAN APPLY FOR 20 LIMITED SEATS
CAMPUS
AIRPORT LINE NEXT TO MULTIX MOTORS UCHEKON
7308128924
SINCE 2007
HL-P/3248/2/6-2/7

URGENT OPENING FOR FITNESS CENTER IN IMPHAL

Interview on Wednesday, 20th June 2018

POSITION	NOS.	EXPERIENCE	SALARY
Floor Manager (M/F)	2	1-3 years	Nego.
Account Executive (M/F)	1	1-3 years	Nego.
Sr. Front Desk (F)	1	1-3 years	Nego.
Floor Supervisor (M/F)	1	0-2 years	Nego.
Zumba (M/F)	1	1-3 years	Nego.
Fitness Trainer (M/F)	4	1-5 years	Nego.
Spa Therapist (M/F)	2	1-5 years	Nego.
Security (M)	2	0-3 years	5,000-8,000
Driver	1	1-5 years	Nego.
Helper/Cleaner (M/F)	1	NA	4000-7,000

Interested candidates can call us @+91-8258069683 or SMS us with <Post><Name><Contact Number>

HL-B/4636/20/5-17/6(Alt.)

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel Airport Road, Near Imphal College (Children's Ideal High School) Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for
CLASS XI Sc. [COHSEM] & CLASS X [BOSEM]
14th June, 2018
14th June, 2018
1st Position YAIPHABI MAYANGBAM
HSLC Examination 2018 Result at a GLANCE
23rd Position HUIDROM HELEN
Faculties for Class XI Sc.
MATHS SIR SUNIL Former Lecturer (HoD): COMET School
PHYSICS MISS NONIBALA Lecturer:
CHEMISTRY SIR BIJEN Lecturer (HoD):
ENGLISH SIR OKEN Former Lecturer: MECI Explorer Academy
BIOLOGY SIR DAYABANTA Lecturer:
Faculties for Class X
PHYSICS : SIR ANIL (Tiny Tot's Unique School) Board Examiner
CHEMISTRY : SIR SURESH (Blossom School)
BIOLOGY : SIR ARUNGOBIND (JD Hr. Sec. & PMES) Co-ordinator & Board Examiner
HISTORY : SIR BIKASH (Life School) SIR BIRBAL (Blossom School) Board Examiner
GEOGRAPHY : SIR SURESH (Diviner School) SIR RAJMOHAN (Principal, New Public Hr. Sec. School)
CIVICS : SIR SHANTA (Regular English High School, Kwakeithel) Board Examiner
MATHS : SIR SURESH (Regular English High School, Kwakeithel) Board Examiner
ENGLISH : SIR DHIREN (Regular English High School, Kwakeithel) Board Examiner
Contact No. 7629855465 HOSTEL & VAN SERVICE
HL-P/1493/6/6-2/7